# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-০৭-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা ৫ অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক খোঙবান্তাবম ইবোমচানা হায়রি- মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কাইদবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি।

**অমসুং**

৩) ব্রজিলদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স মীফমগী লুচিংবশিংনা পহলগাম টেরোরিষ্ট এত্তেক্টপু মোট অমত্তা ওইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা ৫ অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অককবা

পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈবী হৈকক মপান অৱাং লৈকাইদা ঙরাং থিবা হুন্সৱগী থবক চথবদা কে.সি.পি পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই ২ ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

ইরিলবুং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা কৈরাউ খুনৌদা রাজ্য পুলিসনা থিবা হুন্সৱগী থবক চথবদা প্রিপাক্কী মীওই ৩ ফারে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নেপালি বষ্টি শান্তিপুর এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্সৱগী থবক চথবদা এস.এল.আর রাইফল অমা, মরু য়াওদবা মেগজিনগা কোন্নবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মোর্তার সেল অনি, বাউফেং হেন্দ সেট ৭, তিয়র স্মোক গ্রেনেদ ৩, স্তন্ট গ্রেনেদ ১, পেরা বোম ৩, গ্রেনেদ ১, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ২, বুল্লেট প্রুফ হেলমেট ৮ অমসুং তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরুশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

**ইবোমচা(এল)ঃ** বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক খোঙবান্তাবম ইবোমচা এম.এল.এনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পুমমকা মতেং পাংশিন্দুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কাইদবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনমিন্নসি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চলৌদা লৈবা ইরাবোট মেমোরিয়েল পার্কতা ঙরাং চৈঙাক চৈশ্তুনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ ফেলিসিতেসন ওফ মেরিতোরিয়স ষ্টুদেন্টস কম করিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম ২০২৫ গী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী ইবোমচানা হায়-পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টশিংনা পহলগামদা এত্তেক্ট চথরবা মতুং ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা শোকখিবা লানদা লৈবাক অসিগী রাজনিতি দল পুমমকা ভারতকী অপুনবা শক্তমদা শিংনরকপা য়ারোই হায়না দলগী খেৎনবা থমদনা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নখি। মতৌ অদুগুমা মণিপুরগী অপুনবা

শক্তম অমসুং ঙমখৈগা মরী লৈনবা ৱাথোক অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্কা রাজনিতি অমসুং ধর্মগী খেৎনবা থমদনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা তুং কোইনা শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা য়াবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনমিন্নসি হায়না শ্রী ইবোমচানা আপিল তৌখি।

**--সাউন্দ বাইট--ইবোমচা**

থৌরম অদুদা, ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ পরিক্ষাশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংলকখিবা মহৈরোইশিং অমদি নিট য়ু.জি ২০২৫ পাস তৌরকখিবা লম্লাই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মণিপুরগী চেয়রমেন তখেৎলম্বম ওজিট, য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর ময়েংবম ভেতো অমসুং চৈঙাক চৈশুগী প্রসিদেন্ট মহেশ সি.এস শরুক য়াখি।

**গ্যাস(এল)ঃ** কেক্রু মথক মৈরা পাইবী থৌবালনা শিন্দুনা চাক থোংনবা গ্যাসকী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, ওল গ্যাস কেয়রগী ষ্টেট মেনেজর এস.জয়প্রকাশনা হায়-গ্যাসনা চাক থোংবা হায়বসি মৈখু চেলহন্দবা মরমা অকোইবগী ফিভমদা অকাইবা থোকহনদে অমসুং মতম চংদনা মশা নান্না চাক থোংবা য়াই। অদুম ওইনমক গ্যাসতা চাক থোংবা মতমদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চেকশিন্না হোৎনবগী তঙাইফদবদি লৈ।

**থাং(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মীতৈ ইন্দিজেনস থাং-তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুটকী ৪৩ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, মালেমগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা

মনা ফংলকখ্রবা মীওই ৬ তা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা, শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ধরনা(এল)ঃ** গ্বালতাবীদা পাউমীশিংদা অয়েৎ অপন পীরকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতনা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমগদৌরি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজ) অমসুং এদিতরস গিল্ড মণিপুর(ঈ.জি.এম)না পুন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমগনি। ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা খুদম চাংদম ওইবা য়াবা এক্সন লৌখৎনবা কয়ারক হন্না আপিল তৌরবসু তাবীদবদগী পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চংশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়রি।

**কোভিদ (এল)ঃ** মণিপুরদা কোবিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবগী চাং তপা তপা হন্থরক্তুনা ঙরাংগী ওইনা মীওই অনিখক্তমক নৌনা পোজিতিভ ওইখি। রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাংগী ওইনা পুন্না মীওই ১৫ তেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই অনিখক্তমক পোজিতিভ ওইখিবনি।

অমরোমদা, কোবিদ নাইন্তিননা নারম্বদগী ফগৎলকপগী চাংসু শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। অপুনবা পোজিতিভ কেস ২৯৮ গী মনুংদা মীওই ২৪৩ নাবা ফগৎলক্তুনা হৌজিক এক্তিভ কেস ৫৫ লৈরি।

**ব্রিক্সঃ** ব্রজিলগী রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স মীফমদা শরুক য়ারিবা লুচিংবশিংনা এপ্রিল ২২ দা জম্মু কাশ্মিরদা টেরোরিষ্টশিংনা এত্তেক্ট চথরক্তুনা মীওই ২৬ হাৎখিবা অদুবু অমত্তা ওইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা টেরোরিজম থেংনমিন্ননবা মোট অমত্তা ওইনা য়ানখি। টেরোরিজমগী তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিং-ঙমখৈ লান্না টেরোরিজমগী থৌওং চথবা, টেরোরিষ্টশিংনা শেল থাদবা অমসুং মখোয়বু অশোই অঙাম থোহন্দনা চংজফম পীদুনা থল্লিবশিংগী মথক্তা মখা তানা অকনবা থবকশিং লৌখৎনবসু লুচিংবশিং অদুনা য়ানখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা সেঙ্কসন থম্বদা হীরম অমত্তদা চিংননিঙাই লৈতে। টেরোরিজমনা থোকহল্লবা মীওইশিং অমসুং টেরোরিজমবু শৌগৎলিবা মীওইশিংবু মান্নবা মীৎয়েংদা খক য়েংবা য়ারোই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা- বি.জে.পিনা মীয়ামনা ৱারিবা অসিদা মাই ওনশিনবীয়ু হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিং রোদ শেমগৎপদা ইপুম পাৎ মাংহনখিবা য়ারোই হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক শেন্নকপদা কুকি জোগী এম.এল.এ অমত্তা য়াওবা য়ারোই হায়খিবা কুকি ইনপিগী ৱাফমদা বি.জে.পিগী লুচিংবশিংনা করিমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মতম কুইরবগী তুংদা এম.পি.পিগী জেনরেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে, সোরেনশাংবম ব্রোজেনবু এম.পি.পিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা পার্তিগী মেম্বরশিংনা খনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়া অসি মীপাল তাংদবা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক শোইদনা ওইরগনি হায়বা গভর্ণরগী ৱাফম- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেম্বা তম্বা ঙমদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- চিন নেসনেল দিফেন্স ফোর্স অমদি চিনলেন্দ দিফেন্স ফোর্স অনিগী উংখৎনবা হেঞ্জিল্লক্লে, রিফিউজি লিশিং ২ হেনবনা মিজোরমদা চংশিল্লকখ্রে হায়বা পুলিসকী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লুৰাংবী লিন্থোইঙম্বীগীনি হায়বা খুদম চাংদম ওহবা য়াবা করিগুম্বা অমত্তা ফংদ্রিফাওবা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিরোই হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংনা ফোঙদোকখিবগী পাউনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- গ্বালতাবী থৌদোক্কা মরী লৈননা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনখিবা অসিগী মায়োক্তা ঙসি মণিপুরগী জর্নেলিষ্টশিং ৰাকৎ মীফম ফমগদৌরি হায়বা পাউ অসি ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- তামেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা লৈবা ফেলোং ভিলেজতা শওম কনবগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- থবক্তগী পোত্থারবা সরকারগী কর্মচারি অমনা ঙসিদি রোসোফি ভিলেজতা ওর্গানিক এপল ফার্মিং তৌখিবগী মতাংদা পাউদম হায়না ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**